মিচেল নোষ্ট্রাদেমস

তুংদা থোক্লক্কদবা থৌদোক পুন্নমক মাঙজৌনন খঙবা ঙম্বা হায়বসিবু থাঔশেংনা ওইথোকপা য়াবরা? থাজবা খরনা থাজরবসু মীওই অয়াম্বনদি ৱাফম অসিদা পাক হেক থাজবা ঙমদে। ৱাখলনা লাম্বা ফংবা খরা পঙহায় হায়জিনবদা তান চান্নরুবদগী অদুক অমা-অনীখক চুম্বগী ৱানি। তুংগী থৌদোক খঙবা ঙম্বা মীওই অমত্তা লৈফম থোক্তে হায়না মীওই অয়াম্বনা লৌই। অদুম ওইনমক লাইপোকমক্লি হায়না লৌবা য়ারবা কনা-কনাগুম্বা মীওই খরনদি মমীৎমকনা হেক উবদৌনা তুংদা থোক্লক্কদবা থৌদোশিং মরীক চুম্না ফোঙদোক্লম্বসু য়াওদবা নৎতে। হায়রিবা মীওইশিংদুগী মরক্তা নোষ্ট্রদেমসসু অমনি।

কুমজা ১৫০৩ গী ডিসেম্বর ১৪ দা ফ্রান্সকী মেন্ট রেমি দি প্রোভিন্সতা পোকখিবা নোষ্ট্রদেমসনা হিংলিঙৈ মতমদা অইবা ওইনা থল্লম্বা ৱাফম কয়া তশেং-তশেংনা অচুম্বা ওইনা থোক্লখি।

কুমজা ১৫৬৬ কী জুলাই ২ দা শিখিবা মীওই অসিনা হিংলিঙৈ মতমদা মাঙজৌনন ফোঙদোক্লম্বা তুংদা থোক্লক্কদবা থৌদোকশিংগী মনুংদা খরদং পনবা তারবদি ৯/১১ হায়না খঙনবা কুমজা ২০০১গী সেপ্টেম্বর ১১ দা ন্যু য়োর্ককী ৱার্ল্ড ট্রেদ সেন্টরদা চংথরকখিবা টেরোরিষ্ট এটেক, কুমজা ১৯৯৭ কী ওগষ্ট ৩১ দ প্রিন্সেস দাইনা শিখিবা, য়ু এসকী ৩৫ শুবা প্রেসিডেন্ট জোন এফ কেনেদি হাৎখিবা, এদোল্ফ হিটলরনা জর্মনিগী লৈঙাক চুপলী পায়রকপা, নেপোলিয়ন বোনাপার্টনা ইচম-চম্বা লান্মী অমা ওইরম্বদগী মতীক-ময়াই লৈবা ফ্রান্সকী নিংথৌরেল ওইরকখিবা অমসুং ফ্রেঞ্চ রিভোলুসন থোকখিবা অসিনচিংবনি। মসিদসু নত্তনা তুংদা থোক্লক্কদবা থৌদোক ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্বা মীওই অসিনা ইন্দিয়াগী মতাংদসু ৱাফম কয়া মাঙজৌনন ফোঙদোক্লম্বা লৈখি। ময়ামদুগী মরক্তগী মরু ওইবা অমত্তং পনবা তারবদি “২১ শুবা চহীচা হৌগৎলকপদা কোংগ্রেসকী মপাঙ্গল শোনথখিবগা লোয়ননা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না লৈঙাক চূপলি পায়রক্কনি” হায়বসিনি। মহাক্না হায়রম্বা ৱাফম অদু ঙসিদি অচুম্বা ওইনা থোক্লরে। মসিনা ইন্দিয়াগী ৱানি। মসি নত্তবা মালেমগী তোঙান- তোঙানবা মফমদা থোক্লক্কদবা থৌদোক কয়া লাই তোংলবা মাইবীনা লাইপাউ পীবগুম মাঙজৌনন ফোঙদোক্লম্বা মীওই অসি অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মনা-মশিংনা লায়েংবা মাইবগী শিনফম্বু য়াম্না পামজরকখি। মশাগী চহী ১৫ শুরকপদা য়ুনিভর্সিটি ওফ এভিগনননদা তমখি। অদুবু মতমদুদা প্লেগ লায়না পাক-শন্না শন্দোরকপদগী মহৈ তম্বা তোকপা তাখি। য়ুনিভর্সিটি ওফ এভিগনন থাদোক্লবা মতুংদা চহী নিপাল চুপ্না খুঙ্গং খুনয়াদা কোয়না চৎতুনা মনা-মশীংগী লায়েংদা মায় ওনশিনখি। মতম খরা লৈরগা মেডিসিনদা ডোক্টরেট তৌনবগীদমক য়ুনিভর্সিটি ওফ মোন্টপেলিয়রদা চঙখি। অদুবু মাইবগী মওংদা মনা-মশীংনা লায়েংবগী মতাংদদি রিসর্চ তৌবা য়াদে হায়বগীদমক য়ুনিভর্সিটিদগী তানথোরকখি। মহাক্না ৱাখল শোন্থবা অমদি নীংহন্নবা তৌদনা মনা-মশীংগী লায়েংদা মখা তানা থিজিন্দুনা প্লেগ লায়না ঙাকথোকপা ঙম্বা হীদাক অমা শেল্লম্মী।

কোন্নদি মহাক্না পামজনা লৌরম্বা মনা-মশীংগী লায়েংদগী মায় লৈথোরক্তুনা চীংঙু লাইপাউ পীবগী মওংদা তুংগী থৌদোকশিং মাঙজৌনন খঙদোক্লগা মীয়ামদা ফোঙদোকপরোমদা থৱায় য়াওরকখি। অহানবদা মহাক্না কুমজা ১৫৫০ দা থোক্লক্কদবা থৌদোক ১০০০ রোম মাঙজৌননা ফোঙদোক্তুনা মীয়ামদা খঙহল্লম্মী। মদুদগী মহাক মমিং চৎপা অদুমক হৌখ্রে। মতুং তারকপদা মহাক্না তুংদা থোক্লক্কদবা থৌদোক ৬,৩৩৮ মরীক চূম্না ইথোল্লগা লাইরিক ওইনা ফোঙলম্মী।

মতম শাংনা গাওট লায়নাগা শাগোন্নদুনা লাকখিবা নোষ্ট্রদেমসনা কুমজা ১৫৬৬ কী জুলাই ১ দা মহাক্কী সেক্রেটরি জোন দি চেভিগনি কৌশিল্লগা “নুমীৎ অদু মহাক্কী অরোইবা নুমীৎনি অমসুং মথংগী নুমীৎতা মহাকপু হিংনা উবা ফংলরোই” হায়না ফোঙদোক্লম্বা লৈখি। হায়বগা তৌবগা মথংগী অয়ুক্তা মহাক মশাগী তুম্ফম কাদা, ফমুং মনাক্তা শিদুনা লৈরম্বা থেংনখি। মতৌ অসুম্না তুংদা থোক্লক্কদবা থৌদোকশিং ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্বদা নত্তনা মশামক্কী শিগদবা নুমীৎ ফাওবা মাঙজৌনন খঙখিবা মীশক অদু অরোইবা য়াহিপ তানখি।

তুংদা থোরক্কদবা থৌদোকশিং মরীক চূম্না ফোঙদোকপা ঙম্বা মীওই কয়া নোষ্ট্রাদেমস লৈখিদ্রবা মতুংদা থোরকখি। কুমজা ১৯৮৭ তা রোজর এর্বর্টনা মেগজিন অমদা পীখিবা ইন্টরভিয়ুদা হায়খি মদুদি অপাকপা স্ক্রিনদা উৎলিবা ফিল্মগা টেলিভিজনগা য়াম্না কন্না অথোই অহেন তান্নরক্লগনি। স্ক্রিন পাকপা টি ভি সেট কয়া পুথোক্লরকপগা লোয়ননা য়ুমদা ফম্ন-ফম্না রিমোট কন্ট্রোলগী বট্টনদা নম্লগা অপাম্বা সিনিমা অমা হেক্তা য়েংবা ফংলগনি।

কুমজা ২০১৩ দসু পোলিটিকেল ন্যুজ অমদি কলচর ৱেবসাইট অমা ওইরিবা “ পোলিসিমিক” কী কলচর এডিটর ইলেনা লেপার্দনা চহীদুনদা গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ ফংগদবা ফিল্ম অমসি এক্টরশিং চাম্মদা ১০০ চুম্না মাঙজৌননা ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯৪০ দা রোবর্ট হিনলিননা ইখিবা “ সোল্যুসন অন্সেটিস ফেক্টরি” কৌবা ৱারী মচা অমদা য়ুনাইদেট ষ্টেটসনা মালেমদা ইহান-হান্না ন্যুক্লিয়র খুৎলায় শেমগৎলগনি অমসুং মতুং তারকপদা অতৈ লৈবাকশিংনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়গী লমজেন তান্নরক্লগনি হায়না ইরম্মী।

কুমজা ১৯৬৮ দা মমিং চৎলবা সাইন্স ফিক্সন অইবা অরথর মি ক্লার্কনা মালেমদা আইপেদ অমদি ওনলাইন ন্যুজপেপর পুথোক্লরক্লগনি হায়না ফোঙদোকখি। অতোপ্পা অমনা মালেমদা মোবাইল ফোন অমদি টেলিভিজন পুথোরক্লনি হায়বা ৱাফম অসি কুমজা ১৯০০ দা জোন এলফ্রেথ ৱাটকিন্স কৌবা সিভিল ইঞ্জিনিয়র অমনা মাঙজৌননা ফোঙদোক্লমখি।

ইলেক্ট্রোনিক্সকী পোৎলম পুথোকপদা মাঙজিন থাবা কম্পনি অমা ওইরিবা ফিলকো- ফের্দেনা মালেমদা ইন্টরনেটকী খুদোংচাবা লৈত্রিঙৈ কুমজা ১৯৬৭ তা ওনলাইনদা ইন্টরনেটকী খুৎথাংদা অপাম্বা পোৎ লৈবা য়ারগনি বিল থীবা য়ারগনি অমসুং ইলেক্ট্রোনিক ফন্দ ট্রান্সফরগী খুদোংচাবা লৈরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি হৌজিক- হৌজিক গুগলগী দিরেক্টর ওফ ইঞ্জিনিয়রিং ওইরিবা রেমন্দ কর্জৱেলনা ইবা “ দ এজ ওফ ইন্টলিজেন্ট মেজিন্স” কৌবা লাইরিক অমদা মতমগা লোয়ননা তুংদা থোক্লক্কদবা থৌদোকশিং ময়েক শেংনা ফোঙদোকখিবা অদুনি। কুমজা ১৯৯১ দা সোভিএট য়ুনিয়ন কায়রগনি, কুমজা ২০০০ দা কম্প্যুটরনা মালেমগী খ্বাইদগী হৈবা চেস শান্নরোয় মায়থীবা পীগনি অমসুং ২১ শুবা চহীচা হৌগৎলকপদা ৱায়রলেস ইন্টরনেটকী খুদোংচাবা লৈরগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোক্লম্মী।

য়াম্না নুংঙাইরিবা ৱাফমদি অতেনবা মতমগী মনুংদা মীওইবা অশিববু খুদুম চনবা ঙল্লগনি হায়বা মহাক্কী ৱাফম অদুনি। করিগুম্বা ৱাফম অসিনা চুম্বা থোক্লবদি কনাগুম্বা মীওই অমত্তা শিররোই।

মালেমগী অঙকপশিং

টর্কিদা লৈবা কেপাদোসিয়া

মহৌশাগী ওইবা নীংথিজবা কয়ানা লৈতেংলবা কেপাদোসিয়া হায়বসি মপুং ওইনা টর্কিগী নেভসেহির প্রোভিন্স মনুং চনবা সেন্ট্রেল এনাটোলিয়াগী পুৱারীগা শাগোন্নবা মফম অমনি। হীরোদোটসকী মতমদা কেপাদোসিয়ানশিংনা মাউন্ট টাওরসতগী হৌরগা য়ুক্সিন (ব্লেক সী) ফাওবা মপুং ফানা খুদম চল্লম্মী হায়না থাজনরি। খারোমদা টাওরম চিংশাং, অৱাং মায়কৈদা পোন্টস, নোংপোকলোমদা য়ুফ্রেটস অমসুং নোংচুপলোমদা লাইকাওনিয়ানা কোয়শিনবা কেপাদোসিয়াবু মহৌশাগী ওইবা অঙকপশিংতনা থল্লবা মফম অমা ওইনা লৌনরি।

এয়রলাইন অমদি রেলৱে সার্ভিসনা অঙ্করা, ইষ্টানবুল অমসুং অতৈ সিটিশিংগা শম্নরিবা কেপাদোসিয়াদা মহৌশাগী ওইবা তোপ-তোপ্পা ফজবা কয়া লৈবা মরম্না লমকোয়বশিংগী মরুওইবা পন্থুংফম অমা ওইরে। হোট এয়র বেলুন্নিং অমসুং ট্রেক্কিংনচিংবগী খুদোংচাবা ফংলিবা মফম অসিগী মরুওইবা টাউনশিংদি অরগুপ, গোরিম, থলারা ভেলি, সেলিম, গুজেলয়র্ট, অচিসার, এভানোস, জেলভে, দেরিঙ্কুয়ু, কেমাকলি, গেজিমির অমসুং ওজকামাকনি।

চহী মিলিয়ন কয়াগী মমাঙদা থোকখিবা মৈগী চীং পোকখায়বগী থৌদোকশিংদা মশা মথন্তা শেমজরকখিবা য়ুন্বী মখোঙ অমদি মিত্তম মানবা নুঙজাউ কয়া মফমসিদা লৈরি। কেপাদোসিয়া রিজনগী খুঞ্জাশিংনা অচৌ-অচৌবা নুঙজাউশিংদা হক্তুনা য়ুম, চর্চ অমদি মোনাষ্টরি কয়া শেমগৎখি। চহী লিশিং কয়াগী মমাঙদা অচৌবা নুঙজাউদা হক্তুনা শেমখিবা য়ুম অমদি চর্চ কয়া ঙসিসু মপোপ কায়দনা লৈরি। লম কোয়বশিংনা খ্বাইদগী পাম্না য়েংবা লাক্লরিবা মফমশিংদি ওপন এয়র ম্যুজিয়ম অমসুং মোনাষ্টরিনি।

মহৌশাগী নীংথিজবা কয়ানা লৈতেংলবা মফম অদুদা ফিল্ম কয়া নমখ্রে। টর্কিস মোদেল অমদি এক্ট্রেস অজরা একিননা শরুক য়াদুনা পুথোকখিবা ‘ফর্ষ্ট লী’ কৌবা চ্যুৱিং গম অমগী কমর্শিয়লসু কেপা-দোসিয়াদা নমখিবনি। ইটলিয়ন/ফ্রেঞ্চ/টর্কিস ফিল্ম ‘য়ু, দ হন্টর ফ্রোম দ ফ্যুচর’, ‘ভেম্পায়র: দ মাস্কৱারেদ’, ‘ক্রীদ: রেভেলেশন্স’, ‘স্লিপষ্ট্রিম’, ‘ঘোষ্ট রাইদর: স্পিরিট ওফ ভেঞ্জিয়ন’ অমদি ‘মেদিয়ান-চিংবা ফিল্ম কয়াসু মফমদুদা নমখিবনি।

চহী খুদিংগী জুলাই থাদা ‘রনফায়র কেপাদোসিয়া অল্ট্রামরাথোন’ হায়না মিংথোনবা লমশাং লমজেল তান্নবগী থৌরম অমা হেক হেকপাঙথোকই। কেপাদোসিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফম ফাওরগা কিলোমিটর ২৪৪ শাংনা চেনবা লমজেল অদু নুমীৎ তরুকনি চুপ্পা পাঙথোকই।

কনাগুম্বা বাইবল য়াম্না তোয়না পাবশিংনা শোয়দনা থেংনরমগনি মদুদি কেপাদোসিয়া অমসুং সিসিলিয়া হায়রিবা মফম অনী অসি অরিবা মতমগী গ্রীসতা লৈ অমসুং মফম অনীমক খৃষ্টিয়ন লাইনিংগী য়াম্না মরুওইবা সেনটলাইট সিটি ঙাক্তনি। ওটোমান টর্কশিংনা টর্কি খুদম চনখ্রবা মতুংদগীদি মফম অসি টর্কিস রিপব্লিককী শরুক অমা ওইরে। য়ুনাইটেদ নেসন্স এদ্যুকেসনেল, সাইন্টিফিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (য়ুনেস্কো) না ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট ওইনা লাউথোকখ্রবা মফম অসিগী মরমদা মরুওইবা ৱাফম খরদং খঙমিন্নসি :

- ♦ কেপাদোসিয়াদা লমকোয়বশিংনা য়াম্না পাম্না লাক্লবগী মরমদি মৈগী চীং পোকখায়বদা থোরকপা লাভানা শেম্বা য়ুন্বী মখোঙ অমদি চেঙ্গুম মানবা নুঙগী চাউরবা পোৎলম কয়া লৈবননি।
- ♦ অচৌ-অচৌবা নুঙজাউশিং অদু ইথোৎ-থোৎপা মরম্না হক্তুনা য়ুমনচিংবা শেম্নিংবা মওংদা শেম্বা য়াই।
- ♦ স্কৱার কিলোমিটর ৫০০০ রোম পাক-চাউবা মফম অসিনা নেভসেহির, কেসিরি অমসুং নেগদে য়াওনা সেন্ট্রেল এনাটোলিয়াগী প্রোভিন্স অহুমগী শরুক খরা খরা কোনশিল্লি।
- ♦ কেপাদোসিয়া হায়বসি পর্সিয়ন ৱাহৈ ‘কেটপাত্তুকয়া’ দগী লৌথোরকপনি। মসিগী ৱাহন্থোক্না ‘নীংথিজরবা শগোলশিং’ হায়বনি।
- ♦ চহী মিলিয়ন মরিগী মমাঙদা মৈগী চীং পোকখায়বদা থোরকপা লাভানা শেমখিবা কেপাদোসিয়াদা অরবশিংনা লান্দারকখিবা মতমদা খৃষ্টিয়নশিংনা জেরোমদা লৈবা লৈনুংগী শুরুংশিংদা লোৎখি। ‘জেরোম’গী ৱাহন্থোক্তি ‘মফমসিদা কনামত্তনা উবা ফংলোই’ হায়বনি।
- ♦ কেপাদোসিয়াগী মফম অয়াম্বা লন্নাই মীওইশিংগী ঙাক্তনি। লৈঙাক্না কোন্না শেল পীদুনা লৈরগা লমকোয়বশিংগী লমথুংফম ওইনা শেমগৎখিবনি।
- ♦ লমকোয়বশিংবু খ্বাইদগী তরাম্না ওকপা অমসুং মীকৌ-মীরম ফজবা কেপাদোসিয়াগী টাউনদি গুলশেহিরনি। মফমসিদা শুরুংতনা পীক থল্লবা চীং অমা লৈ। হায়রিবা শুরুংশিং অদুদা ইটলিয়ন মাফিয়ানা লোৎলম্বা লন-থুম কয়ামরুম লৈ হায়না থাজনরি।

সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি

জিম্বাবৱেদা উমং কন্নবা হয়িংখোই লোই

জিম্বাবৱেগী সষ্টেনেবল এগ্রিকলচরদা হয়িংখোইনা মরুওইবা থৌদাং লৌরি। ইষ্টর্ন জিম্বাবৱেগী উমংশিংনা লৈবাক অসিগী উগী তঙাইফদবশিং অমসুং হৈ-রা অতেকপা অয়াম্বা সপ্লাই তৌরি। তৌইগুম্বসুং উ-ৱা য়ান্থৎপা অমসুং লম শীজিন্ননবনি হায়না উমং ৱামংশিং মৈ থাবনা মফম অদুদা অমাং অতা চাউনা থোক্লি। কুমজা ২০১৬ তা জিম্বাবৱেগী উমং হেক্তর মিলিয়ন ১.৫ হেন্না অসুম্না মাঙহন তাকহনখি।



হৌজিক্তি ইনভাইরোনমেন্ট অফ্রিকা কৌবা নন প্রোফিট গ্রুপ অমনা উমংশিং মখা তানা শোকহন্দনা লৌমীশিংগী ফীভম ফগৎহন্নবা থবক পায়খৎলি। মখোয়না লৌমীশিংদা হয়িংখোই করম্না লোইগদগে হায়বদু নীংথিনা তাকপী-তম্বীদুনা হৌজিক ফাওবদা লৌমী ১,৫০০ দা কান্নবা ফংহনখ্রে। বেঞ্জামিন কৌবা লৌমী অমনা ময়ূম মনাক্তা খোইরা (খোই উপ্) ২৫০ ফাওবা থমদুনা খোই লোই। মহাক্না খোইহি য়োন্দুনা ইমুংগী চাদিংশিং তৌই। মহাক্না হয়িংখোই অদুক্কী মতিক পামই মরমদি তীল অসিনা মহাকপু অমসুং উমংবু মতেং পাঙই। “ঐহাক্না উ থাই, উনা ঐখোয়দা লৈ পী” হয়িংখোইনা অমুক লৈহি চুপ্তুনা ঐখোয়দা খোইহি পী, ঐহাক উ মখল কয়া থাজিনবা পামই হায়না বেঞ্জামিন্না ফোঙদোকখি।







Title : A BEAUTIFUL CHRISTMAS TREE

Goldi Thiyam
Class : VI, Sec. B Roll: 47
Little Flower School



Title : SCENERY

E. Renedy
Class : VII, Sec.:, Roll:



Title : DANCING GIRL

Sweety Thiyam
Class : I, Sec. C, Roll: 162
Regular English High School



Title : PARK

Bindyarani Huirem
Class : III, Sec.:, Roll:
Kendriya Vidyaliay Lamphelpat



Title : FLOWER

Nungsithoi
Class : I, Sec.A:, Roll: 55
Kid's Foundation



Title : SCENERY

Bachaspatimayum Denita Devi
Class : II Sec.: Roll:
Kid's Foundation



Title : SCENERY

H. Kelvin
Class : III, Sec.: Roll:
St. Joseph School



Title : SCENERY

Denjorickson Mayengbam
Class III: , Sec.A Roll: 1
Temple of Learing



Title : SCENERY

Poireinganbi. H
Class : II, Sec.: Roll:
Tiny Tot's Unique School



Title : SCENERY

Gurumayum Leon Sharma
Class : II, Sec.:, Roll:
Kids Foundation



Title : SCENERY

E. Deepakraj
Class : IV , Sec.: , Roll: 2
Slopland Public School



Title : SCENERY

Robertson
Class : V, Sec.: , Roll:
R.M. School



Title : HUCK

Kh. Sanayanba
Class :2, Sec.D, Roll:
Maria Montessori Hr. Sec School



Title : SCENERY

Daina Chingakham
Class : II, Sec.: Roll:34
Little Flower School



Title : SCENERY

Lelinson.L
Class : I, Sec.: Roll:
Heritage Convent



Title : SCENERY

H. Mangaal
Class: III, Sec. : Roll: 4
1st MR



Title : ASTRONAUT

Rayshikesh Sharma Aribam
Class : II, Sec.:, Roll:
KVS. Langjing



Title : SCENERY

Longjam Petan Devi
Class : I, Sec. : , Roll:
Nirmalabas High School





চাকহাও তন

মী মঙা-তরুক চানবা চাকহাও তন করম্না হৌগদগে হায়বদু মখাদা পীজরি:-

চঙগদ্দবা পোৎচঙ :

- ♦ চাকহাও চেঙ গ্রাম ১০০
- ♦ চিনি চমচ ২/৩ হাওনবা
- ♦ য়াম খরা- কপ ৩/৪
- ♦ থুম খজিক্তং
- ♦ য়ুবী থাউ

শেম শাবগী মওং :

- ♦ চাকহাও চেঙ চামথোক্লগা অহিং অমা তীংগনি।
- ♦ ঈশিং চিথোক্লগা তকপদা, তোৎপদা শীজিন্ননবা থমগনি।
- ♦ চেঙদু শুগদবনি নৎত্রগা নুংফালদা কূপ্না তকখায়গদবনি।
- ♦ পাত্র অমদা হাপচিল্লবা য়ামগা তন তোৎপদৌনা ঈশিং খজিক খজিক হাপচিল্লগা মুন্না তোৎকনি।
- ♦ অতোৎপা পোৎশক্তু মান্নবা পিস ১২ তাথোক্লগা মতুম তাগনি।
- ♦ মতুমশিংদু থাউ খরা চোৎলগা ইঞ্চি ৩ পাক্লা কোয়না তক্কনি।
- ♦ চৈরকসিদা মৈদা শাহল্লবা তৱাদা তকপা চাকহাও তনদু হাপকনি অমসুং মথঙ্গা ওন ওন্দুনা হৌগনি। মুল্লকপা (মচেৎ মচেৎ ৱাওথাংনরকপা ফাওবা) ফাওবা মৈশা পীগনি। অশাবা তনদুদা য়ুবীথাউ তৈশিনগনি। চাকহাও তন শানা চাবা য়ারে।